# জিহাদিষ্ট নীল প্রকাশতগী ওষ্ট্রেলিয়ন সিটিজনশিপ লৌথোকখ্রে

কানবেরা, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সি): ওষ্ট্রেলিয়াগী খ্বাইদগী হেন্না ৱান্টেদ তারবা জিহাদিষ্টনি হায়না লৌনবা নীল প্রকাশকী ওষ্ট্রেলিয়ন সিটিজনশিপ ওথোরিটিশিংনা লৌথোকখ্রে।

খোঙথাং অদু লাউথোক্লদুনা হোম এফেয়রস মিনিষ্টর পীতর দুতননা প্রকাশপু য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ইন্দভিজ্যুএল অমনি হায়না ফোঙদোকখি। ইন্টেলিজেন্স ওফিসলশিংনা হায়রি মদুদি, মেলবোর্নদা পোকখিবা প্রকাশ ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) গ্রুপকী রিক্রুটর অমনি অমসুং মহাক্কী ঈথিলদগী ওষ্ট্রেলিয়াদা টেররিষ্ট প্লোট কয়া লাংখ্রে। মহাক হৌজিক টর্কিদা ফাদুনা লৈরি অমসুং টেররগা মরী লৈনবা চার্জশিং মায়োক্নরি।

হৌখিবা জুলাইদা টর্কিগী কোর্টঅমনা মহাকপু ময়ুম লৈবাক্তা টেররিজমগী চার্জশিং মায়োক্নহন্নবা এক্সত্রাদিসন তৌবগী মায়োক্তা রুলিং পীখি। ওষ্ট্রেলিয়াদা মহাক টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমগী মেম্বর ওইবগা লোয়ননা ইস্লামিক ষ্টেট শৌগৎপা অমদি য়োকখৎপগী মরালশিং মায়োক্নরি।

টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা দতননা হায়খি, ইস্লামিক ষ্টেটনা মিদ্দল ইষ্টতা হোৎনরিবা কয়াদা প্রকাশনা চাউনা শরুক য়াই। করিগুম্বা খুদোংচাবা ফংলবদি প্রকাশনা ওষ্ট্রেলিয়নশিং হাৎকনি নৎত্রগা শোকহনগনি। মঙোন্দগী ওষ্ট্রেলিয়ন সিটিজনশিপ লৌথোকখিবসিনা লৈবাক অসিদা হিংবদা খুদোংথিবা নংবা য়াবগী চাং হন্থহল্লগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা ওষ্ট্রেলিয়ন গবর্ণমেন্টনা প্রকাশপু মিদ্দল ইষ্টতগী হল্লক্লগা মেলবোর্ন অমসুং সিদনিগী নেটৱার্কশিংদা চেন্নরিবা মরুওইবা ওষ্ট্রেলিয়ন অমনি হায়না ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৭ তা টর্কিগী কোর্ট অমদা প্রকাশনা ওষ্ট্রেলিয়াগী টেররিষ্ট প্লোট খরগা মহাক্না মরী খরদি লৈনৈ হায়না ফোঙদোকখি, তৌইগুম্বসুং মহাক্না প্লোতশিংদু চাদা ১০০ শিন-লাংখিবদি নত্তে হায়খি।

মহাক্না হায়খি, মঙোন্দা নমদুনা আই এসকী প্রোপেগন্দা ভিদিওশিং শেম-শাহনখি অমসুং মহাক গ্রুপ অদুগী অশেংবা মশক খঙলকপদগী মদুদগী তোকখ্রে। মশাগী চহী ২৭ শুরবা প্রকাশ কুমজা ২০১৩ দা অবু খালেজ অল-কম্বোদি হায়বা মিংগৌ অমগা লোয়ননা সিরিয়াগীদমক ওষ্ট্রেলিয়া থাদোকখি। মহাক কুমজা ২০১৫ দা ইরাক্কী মোসুলদা য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইক চখবদা শিখ্রে হায়না অশোইবা পাউ ফোঙনখি। মহাক্কী অপোকপগী খুথাংদা প্রকাশনা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ফিজিগী অপূনবা সিটিজনশিপ ফংখি।

# গিজাগী পিরামিদশিংগী মনাক্তা টুরিষ্ট বসতা বোম পোকখায়হনখ্রে, ভিয়েটনামিজ টুরিষ্ট ৩, গাইদ ১ শিরে

কাইরো, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সি): ইজিপটকী মালেমদা মমিং লৈরবা গিজাগী পিরামিদশিংগী মনাক্তা লম্বীগী নাকল্দা বোম পোকখায়হন্দুনা টুরিষ্ট বস অমদা চথখিবা এটেক্তা ভিয়েটনামিজ টুরিষ্ট অহুম অমসুং ইজিপসন গাইদ অমা শিখ্রে অমদি য়ামদ্রবদা অতে ১০ না অশোক-অপন নংখ্রে। বোম অদু ঙৱাং পিরামিদশিংদুদগী কিলোমিটর মরি য়ৌদনা লাপ্নবা লম্বী অমগী চিদাইদা পোকখায়খিবনি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোক্লি।

বোমগী এটেক অদু চহী অমা খরা হেনবা মতমগী মনুংদা ইজিপটতা ফোরেন টুরিষ্টশিংগী মায়োক্তা চথবা অহানবা খ্বাইদগী শাথিবা এটেকনি অমসুং মদু ইজিপটকী ফোরেন করেন্সি রেভন্যু লাকফম খ্বাইদগী চাউবা ওইরিবা টুরিজম সেক্তরগী ফীভম ফগৎলকপা হৌবগা চান্না চথরকখিবনি। লৈবাক অসিগী টুরিজম সেক্তর কুমজা ২০১১ গী ঈহৌনা মরম ওইরগা শিথরুরবা মতুং হন্দক ফীভম খরা ফগৎলকখি।

এটেক অদু খুদক্কী ওইনা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকখিদে। ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা মিলিটেন্টশিংগী য়াওনা ইস্লামিক এক্সত্রিমিষ্টশিং ইজিপটতা এক্টিভ ওইরি। মখোয়না মমাঙদা মপান্দগী লাকপা লমকোয়বশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক কয়া চথখ্রে। ব্লাষ্ট অদুদা য়ামদ্রবদা ভিয়েটনামিজ টুরিষ্ট মাপন অমসুং ইজিপসন দ্রাইভর অমা অশোক-অপন নংখি হায়না ওফিসল ষ্টেটমেন্টশিংনা হায়রি।

বস অদুদা তোংলবসু থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংহৌদবা লান লেন কৌবা মশাগী চহী ৪১ শুরবা মীওই অমনা হায়, টুরিষ্টশিং অদু পিরামিদশিং লৈরিবা মফমদুদা পাঙথোক্কদবা সাউন্দ অমসুং লাইটকী সো অমা তম্না লাকখিবনি।

ঐখোয়না সাউন্দ অমসুং লাইটকী সো মফমদুদা তম্না চৎলিঙৈদা খঙহৌদনা বোম পোকখায়বগী মখোল অমা তাখি। মদু অকিবগী মশকনি, মীয়াম্না কপ্পা লাউনখি। মদুগী মতুংদা থোকখিবশিং ঐহাক নীংশিংবা ঙমদ্রে হায়না লান লেনা ন্যুজ এজেন্সী অমদা হায়খি। মহাক অশোকপশিং পুখৎতুনা লায়কন্নখিবা অল হারাম হোস্পিটালদা ৱা ঙাঙখিবনি।

ইজিপটকী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা হায়, বস অদু নুমীদাংৱাইরম পুং ৬.১৭ রোম তাবদা ৱাল অমগী মনাক্তা আই ঈ দি অমা পোকখায়বদা চৈথেং নংখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোষ্টাফা মেদবৌলিনা হায়খিবদা, বস অদু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা খঙহনবা তৌদনা হান্না প্লান তৌখিবা লম্বীদগী থৈখি। প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি বসতুগী দ্রাইভরনদি য়াখিদে। টুরিষ্ট সিজনগী খ্বাইদগী মতোন লোম্বা মতম ওইবনা অমসুং লৈবাক অদুগী খৃষ্টিয়ন মাইনোরিটি কাঙলুপনা জান্যুৱারি ৭ তা ওর্থোদোক্স খৃষ্টমাসকী থৌরম পাঙথোক্লবা শেম-শারিঙৈ মতমদা এটেক অদু চথরক্লিবনি।

লমদম অদুদা লৈরিবা ইজিপটকী য়ুম্লোন্নবা লৈবাকশিংনা এটেক অদুবু কন্দেম তৌখি অমসুং কাইরোদা লৈবা বৃটিশ অম্বেসেদর জিওফ্রি অদামসনসু এটেক অদুবু কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা টেররিজমগী মায়োক্তা চঙশিনবা লাঞ্জংদা য়ু কেনা ইজিপটকীদমক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি হায়খ্রে।

# দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল পাঙথোক্লগনি

কিনসাসা, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সি): মোবাইল ফোনশিং অমসুং ইলেক্ট্রিক কারশিংগী পৱার লাকফম ওইরিবা কোবাল্ট পুথোকপদা মালেমদা মাঙজিল থাবা লৈবাক ওইরিবা দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী অয়াম্বা শরুকশিংদা নোংমাইজিং নুমীৎতা লৈবাক অসিগী মরুওইবা মীখল পাঙথোক্লগনি।

প্রসিদেন্ট জোসেফ কাবিলাগী মহুৎ শিনবা খনগদৌরিবা মীখল অদুদা ফ্রন্টরন্নর অহুম থোক্লকখ্রে। মিনরেল রিছোর্স কয়াগা লোয়ননা মালেমগী ইকনমিদা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা লৈবাক অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম তেনতক্লা য়েংবা য়াই।

কুমজা ১৯৬০ দা নীং-খা তম্বা ফংখিবদগী লিদর অমদগী অতোপ্পা লিদর অমদা লৈঙাক্কী পৱার ট্রান্সফর তৌবদা কোঙ্গোদা মতম চুপ্পদা মীশি-মীনাগী ঈরাং থোক্তুনা লাকখি। নীংতম্বা ফংগদবা থা অমগী মাঙওইননা কুমজা ১৯৬০ দা মীখল পাঙথোকখিবদগী জোসেফ কাসাঙুবুনা প্রসিদেন্ট ওইরকখি অমসুং পেত্রিস লুমুম্বানা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখি। তৌইগুম্বসুং পৱারগী মুক্নবা অমগী মতুংদা লুমুম্বা মফম থদৎখি। কুমজা ১৯৬১ দা হান্নগী কলোনিএল পৱার বেলজিয়মনা খুৎ থিংজিনবদগী মহাকপু রেবেলশিংগী মখুৎতা তাহনখি অমসুং রেবেলশিংনা মহাকপু হাৎখি। মখোয়না মহাক্কী হকচাংদু মচেৎ মচেৎ ককথৎলগা এসিদতা তুমহনখি।

অঙনবা চহীশিং অদুদা লৈঙাক্কী পৱারগী মরুমদা লৈখিবা মীশক্তু আর্মি চীফ মোবুতু সেসে সেকো ওইরম্মী। কুমজা ১৯৬৫ দা কূ অমা মায় পাক্না পাঙথোক্তুনা মহাক প্রসিদেন্ট ওইরকখি। চহী ৩২ পৱার পায়রকখিবা মতুংদা মহাকপু য়ুম্লোন্নবা লৈবাকশিংনা শৌগৎপা রেবেলশিংনা মফমদগী চিংথুখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা লালহৌবা লিদর লোরেন্ট কবিলা কুমজা ২০০১ দা মহাক্কী বোদিগার্দনা হাৎখি। মহাক্কী মচানুপা জোসেফ কবিলানা মশাগী চহী ২৯ শুবদা ঙাইহিরিঙৈদা মহাক্কী মহুৎ শিন্দুনা মতমদুদা মালেমগী খ্বাইদগী নহা ওইরিবা লুচিংবা ওইখি। পৱার থাদোকফম থোকপা মতমদগী চহী অনী চোন্থরক্লবা মতুংদা কবিলানা মহাক্কী মহুৎ শিনবা অমদা পৱার শিন্নবগী ফীভম লাক্লি।

নোংমাইজিং নুমীৎকী ভোট অসিনা মহাক্কী মহুৎ শিনবা অমদা ঈং-চিক্না পৱার শিন্নবা য়ারগনি হায়না কোঙ্গোলিজ কয়ানা থাজনরি। মালেমদা ইলেক্ট্রিক কারশিং মশিং য়াম্না শীজিন্নরক্লিবসিদা লৈবাক অসিনা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং অমা লৌরি। অতৈ মেতল কয়াগী লনগৈগী মরক্তা দি আর কোঙ্গোদা মালেমগী কোবাল্ট সপ্লাই অপুন্বগী তংখাই অমা হেন্না লৈ হায়না লৌনৈ। ইলেক্ট্রিক কারশিং অমসুং মোবাইল ফোনশিংগী বেট্টেরিশিং শাবদা তঙাইফদনা চঙবা কোবাল্টকা লোয়ননা অতৈ মরুওইবা মিনরেল কয়া কোঙ্গোদা মরাং কায়না ফংই।

কোবাল্ট অমসুং দাইমন্দ, কোপ্পর অমসুং গোল্ডগুম্বা অতৈ মিনরেল কয়া মরাং কায়না ফংলিবসিনা দি আর কোঙ্গোনা অফ্রিকাগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরম্বা য়াবনি। অদুবু লৈবাক অসিগী মীয়াম অফ্রিকাগী খ্বাইদগী লায়রবশিংগী মনুং চল্লি। ১৫ শুবা চহীচাদা অহানবা য়ুরোপিয়ন এক্সপ্লোয়রশিং থুংখিবদগী কোঙ্গোগী মহৌশাগী পুক্কে-লনগৈশিং অয়োৌবী থাক্তা তান্থোক্তুনা শীজিন্নখি। ১৯ শুবা চহীচাদা বেলজিয়মগী নিংথৌ লিওপোল্ড অনীশুবনা লৈবাক অদুবু মশাগী কলোনিগুম্না চলাইখি, মীয়াম্বু টায়ার শানবা রবর খোমহনখি।

তুদা কোপ্পরনা কলোনাইজরশিংগী মরুওইবা এক্সপোর্ট আইটেম ওইরকখি। নিংতম্বা ফংলবা মতুংদা কোঙ্গোদা মোবুতুনা ইনাক খুল্লকখি, অদুগা লৈবাক অদুনা লায়ররকখি। ঙসিদি করপসন অমসুং শিন লাংবদা অশোয়বা কয়া লৈবদগী লৈবাক্কী মহৌশাগী লনগৈ শীজিন্নরগা মীয়ামগী লায়রবা কোকহনবা ঙমদনা লৈরি।

# সিরিয়াদা লৈরিবা কর্দিশ ফাইটরশিংদা য়ু এসকী খুৎলায় শিন্নরম্নবা রিক্কমেন্দ তৌখ্রে

ৱাশিংতন, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সি): সিরিয়াদগী য়ু এসকী ক্রুপশিং লৌথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা য়ু এসকী কম্মান্দরশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটকা লান্থেংনরিবা কর্দিশ ফাইটরশিংবু য়ু এসনা পীবা খুৎলায়বশিং মখা তানা পায়হন্নবা রিক্কমেন্দ তৌরি হায়না য়ু এসকী ওফিসল মরিনা হায়রি। অমরোমদা, থৌরাং অসিনা নাতোগী মীচঙ অমা ওইরিবা টর্কিবু শাউহল্লগনি হায়রি।

মশক মমিংশিং তাকথোক্লিংদবা ওফিসল মরিদুগী মনুংদগী অহুম্না হায়, কর্দিশ ফাইটরশিংদা মখা তানা য়ু এসকী খুৎলায়শিং পায়হনবগী রিক্কম্মেন্দেসন অদু য়ু এসনা পুথোকপা দ্রাফ্ট প্লান অমগী মতুংইন্ননি। পেন্তাগোন্না হ্বাইট হাউসতা অরোইবা ওইনা করি রিক্কমেন্দ তৌরকপা য়াই হায়বা শেংনা খঙদ্রি।

হিরম অসিগী মতাংদা পেন্তাগোন মনুংদা খন্নরিবশিং অঙনবা ষ্টেজদা লৈ অমসুং হৌজিক ফাওবা ৱারেপ অমা লৌদ্রি। প্লান অদু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌরকপগা লোয়ননা লাক্লিবা নুমীৎ খরনি অসিদা হ্বাইট হাউসতা পীশিল্লগনি হায়না ওফিসলশিংদুনা ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী খুৎলায়শিং অদু করি তৌগদগে হায়বগী মতাংদা কম্মেন্ট পীবা ঙমহল্লি হায়না পেন্তাগোন্না ফোঙদোকখি। পেন্তাগোনগী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা কম্মান্দর সোন রোবার্টসনা হায়, ঐখোয়গী ক্রুপশিংদা খুদোংথিবা অমত্তা থোক্তনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপগা লোয়ননা ফোর্সশিং কন্ট্রোল তৌনা লৌথোক্লবা থৌরাং তৌরি। পেন্তাগোনগী স্পোক্সমেনগী কম্মেন্ট অসিগী মতাংদা হ্বাইট হাউসকী মাইকৈদগী কম্মেন্ট পীখিদে।

প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা খঙহৌদনা হৌখিবা চয়োলদা সিরিয়াদগী য়ু এসকী ক্রুপশিং মপুং ফানা লৌথোক্লবা ওর্দর তৌখি। মহাক্কী ৱারেপ অদুবু মাইকৈ কয়াদগী ক্রিটিসাইজ তৌখি অমসুং দিফেন্স সেক্রেটরি জিম মাতিসসু রিজাইন তৌখি।

য়ু এসকী ওফিসলশিংনা হায়, ত্রম্পনা লাউথোরকখিবা ৱাফম অদুনা য়ু এসকী কম্মান্দরশিংবু নীংবা কায়হনখি। মখোয়না মহাক্কী ৱারেপ অদু কর্দিশ ৱাই পি জি মিলিস্যাগা য়ানখিবা ৱাফমগী মায়োক্তনি অমসুং মদুনা হাৎন-শুনবা হেনগৎহন্দুনা মীচম লিশিং চা কয়াদা শোকহনবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি। অনকরানা ৱাই পি জি অসি কর্দশিংনা টর্কি মনুংদা লান হৌরিবদুদগী চোইথোরকপনি হায়না লৌই।

## য়ুক্রেনগী জহাজশিং অমদি হিরোইশিং থাদোক্নবা তকশিনখ্রে

বর্লিন, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সি): ব্লেক সীগা অজোভ সীগা শম্নহল্লিবা কর্চ ষ্ট্রেটতা হৌখিবা থাদা জহাজশিংগা কোন্ননা ফাখিবা য়ুক্রেনগী হিরোইশিং থাদোক্নবা জর্মন চান্সেলর এঞ্জেলা মার্কেল অমসুং ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোন্না রসিয়াদা তকশিনখ্রে। হিরোই ২৪ দু ইলিগেল ওইবা মওংদা রসিয়াগী বোর্দর লানশিল্লকখি হায়না মোস্কোনা মরাল শিখি। অমরোমদা, রসিয়ানা ইলিগেল ওইবা মওংদা গনবোতমচা অনী অমসুং তগবোত অমা ফাজিনখিবনি হায়না য়ুক্রেনন্না ফোঙদোকখি অমসুং মোস্কোবু অকন-অরিংগী থৌওং চথৈ হায়না মরাল শিখি।

কর্চ ষ্ট্রেটতা জহাজশিং অদু অয়েৎ অপন অমত্তা পীদনা থাদোকখিনবা অমসুং লোনা য়াদবা মওংদা ফাজিনখিবা য়ুক্রেনিয়ন হিরোইশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্নবা ঐখোয়না দিমান্দ তৌরি হায়না মর্কেল অমসুং মেক্রোনগী অপূনবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। মখোয়সু ইমুং-মনুংশিংগা লোয়ননা লাক্লিবা কুস্মৈশিংদা শরুক য়াহংনগদবনি হায়না লুচিংবা অনীনা মখা তাখি।

হিরোইশিংদুগা লোয়ননা ভেসেল-শিংদু ফাজিনখিবা মতুংদা কিভনা নোংচুপলোমগী মীচঙশিংদা মোস্কোগী মায়োক্তা মখা তানা অথিংবা কয়া থম্বগী ৱাফম খন্নবা তকশিনখিবনি। অমরোমদা, রসিয়ানা য়ুক্রেনবু নোংচুপলোমগা লৌতুন্দুনা ৱাথোক অমা থোকহন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিখি। মার্কেল অমসুং মেক্রোন্না মখা তানা হায়খি মদুদি, ইন্টরনেসনল লো খোঙ্গাওনদুনা রসিয়ানা লৌশিনখিবা ক্রিমিয়াদা লৈরিবা হ্যুমেন রাইটসকী ফীভম অমসুং কর্চ ষ্ট্রেটতা রসিয়ানা মিলিটরি ফোর্স শীজিন্নবা অমসুং সী ওফ অজোভপু কন্ট্রোল তৌশিনবা অসিনা ঐখোয়দা নুংনাংবা পোকহল্লি। হৌখিবা নবেম্বরগী অরোইবা শরুক্তা থোকখিবা থৌদোক অদুদা রসিয়ন বোর্দর গার্দশিংনা য়ুক্রেনিয়ন নেভিগী ভেসেল অহুম থৎলগা হিরোইশিংগা কোন্ননা ফাখিবনি। থৌদোক অদুনা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবা ফীভম হেনগৎহনখি।

# বোর্দরদা প্রোটেষ্ট চথরিঙৈ মনুংদা ইজরেলি ক্রুপশিংনা পেলেষ্টিনিয়ন নুপা অমা হাৎখ্রে

গজা, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সি): ইজরেলগা তায়নবা বোর্দর পরিংদা চয়োলগী ওইনা চথবা প্রোটেষ্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা ওইনা ইরাই নুমীৎতা চথখিবা প্রোটেষ্ট মনুংদা পেলেষ্টিনিয়ন নুপা অমা ইজরেলি ফোর্সশিংনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না পেলেষ্টিনিয়ন হেল্থ ওফিসলশিংনা হায়রি।

ওফিসলশিংদুনা হায়, নোংলৈ-নুংশিৎকী ফীভম লৈনা লৈনা ইরাই নুমীৎতা প্রোটেষ্টশিং পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা ইজরেলি ফোর্সশিংনা অশেংবা নোংমৈ মরুশিং কাপশিল্লকখিবদা মশাগী চহী ২৬ শুরবা করম ফায়াদ শিখি অমসুং অতৈ কয়ানা শোকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ইজরেলি মিলিটরিগী স্পোক্সপার্সন অমনা হায়, ঈরাং হৌবা মীওই ৫০০০ ৱানা থেংনরবা মতুংদা ক্রুপশিংনা তঙাইফদনা অশেংবা নোংমৈ মরু কাপখি। প্রোটেষ্টর খরনা ক্রুপশিংদা নুঙ অমদি গ্রেনেদ লংশিল্লকখিবনি।

পেলেষ্টিনিয়ন প্রোটেষ্টর অনীনা ফেন্সিং লাল্লম্নগা গজাদা অমুক চঙশিনখি হায়না মিলিটরি স্পোক্সপার্সন অদুনা মখা তাখি।

ইস্লামিষ্ট হমাস মুভমেন্টনা চলাইবা গজাদা লৈবা হেল্থ ওফিসলশিংনা হায়, হৌখিবা মার্চ ৩০ দা বোর্দর পরিংদা চয়োলগী ওইনা প্রোটেষ্ট তৌবা হৌখিবদগী পেলেষ্টিনিয়ন ২২০ হেন্না হাৎখ্রে। পেলেষ্টিনিয়নশিংগী লমদা ইজরেলগী অথিংবা কোমথোক্লবা অমসুং ১৯৪৮ গী লানদা মাঙখিবা লমদা অমুক হঞ্জিনবা য়াবগী রাইট তকশিল্লদুনা প্রোটেষ্টশিংদু পাঙথোকখিবনি। ইজরেলগী মাইকৈদগীনি অসিগুম্বা রাইট পীথোকপগী ৱাফম য়াদ্রি। শিবা অমদি শোক-পনবা ঈরাং হেনগৎলকপগী ফীভম অদুদা নুংনাংবা পোক্লবা ইজিপট, য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং কতরনা এনক্লেভ অদুগী ফীভম ফগৎনবগী পান্থৈশিং খন্ননবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে।

ইজরেলনা কুমজা ২০০৫ দা সেটলরশিং অমসুং লান্মীশিং গজাদগী লৌথোকখি, তৌইগুম্বসুং লম, নোংথক অমসুং সমুদ্রগী বোর্দরশিংদি চেৎনা কন্ট্রোল তৌরি। ইজরেলি-পেলেষ্টিনিয়ন পিছ প্রোসেস চহী কয়ামুক মখা চথবা য়াদনা লাক্লি।

# চাইনানা ফাজিনখিবা কনাদিয়ন থাদোরক্লে

মোনত্রিএল, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সি): থা অসিগী নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা চাইনাদা ফাজিন্দুনা থম্নকখিবা কনাদিয়ন সিটিজন অমা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা থাদোকখ্রবা মতুংদা কনাদাদা হল্লক্লে হায়না কনাদিয়ন গবর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন অমনা ইরাই নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে। স্পোক্সমেন অদুনা কনাদিয়ন সিটিজন অদু করম্বা মতমদা থাদোরকখি নৎত্রগা কনাদাদা হল্লকখিবগে হায়বগী মতাংদা শেংনা পনখিদে। ইরাই নুমীৎকী অঙনবদা ব্রোদকাষ্টর সী বি সীনা সিটিজন অদুবু সরাহ মেক্লভর কৌবা কনাদিয়ন ওজা অমনি হায়না ফোঙদোকখি। লোনা য়াদবা থবক তৌরম্বগীদমক মেক্লভর এদমিনিষ্ট্রেটিভ পনিসমেন্ট পীরি হায়না চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ফোঙদোকখিবনি। হৌখিবা দিসেম্বর ১ দা ভেনকুভরদা চাইনিজ তেলিকম্যুনিকেসন্স জাইয়ন্ট ৱাৱে টেক্নোলোজিজ কো লিমিটেদকী চীফ ফাইনান্সিএল ওফিসর মেঙ ৱানঝৌ ফাখিবদগী চাইনানা ফাজিনখিবা কনাদিয়নশিংগী মনুংদা মেক্লভরনা অহুমশুবনি।

## [illegible]/কৈথেল্লাকপম শাগৈগী পাউজেল

কৈথেল্লাকপম শাগৈ মঙাং ইয়েকচা পুম্নমক্কী মফমদা নোল্লুক্না মীফম য়াওবীনবা পাউজেঞ্জরি। লাক্লিবা জন্যুৱারিগী চৈচৎ ৬/১/২০১৯ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা কৈথেল্লাকপম শাগৈগী অথুবা মীফম অমা পাঙথোকচগনি।

*খন্নগদবা হিরম ঃ*

১। ৱাকচীং খুল্লেন/ৱাকচীংকৈ (গোবিন্দগ্রাম) দা লৈরিবা কৈথেল্লাকপম লৌকোলগী শরুক্তা লৈবিরিবা নোংদোল লাইরেম্বী ইমাগী খুভম কলহৌনবগী মতাংদা খন্নজগনি।

২। শাগৈ অপোকপগী লুকলেন কৎপগী মতাংদা খন্নবা।

৩। অতৈ অতৈ।

*মফমঃ কৈথেল্লাকপম রঘুগী শঙ্গাই*
*ক্বাকৈথেল হৈনৌ খোংনেম্বী,*
*ইম্ফাল ৱেষ্ট।*

*পাউজেঞ্জরিবাঃ কৈথেল্লাকপম রঘু*
*ক্বাকৈথেল হৈনৌ খোংনোম্বী*
*ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুর।*

HL-P/2872/30

---

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

***Ref:- Mut. Case No. 1271/SDC/NBL of 2018***

Laishram Somokanta Meitei S/o (L) L. Ibohal Singh of Utlou Lairam Leikai.

...... *Petitioner*

-Vrs-

(L) Laishram Ibohal Singh S/o (L) Nene Singh of Utlou.

...... *Pattadar*

#### ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Dt. 29/12/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ১৬-উৎলৌ পাট্টা নং ৫১ (অরিবা), ৩৬৭/৮২৪ (অনৌবা) দাগ নং ১৬১ এরিয়া ০.২৮ একর ওফ ফৌরেল ক্লাস হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমীংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী নিয়ম মতুংইন্না কেশ মখা চৎথখ্রগনি।

*Sd/-* **S. Dhiren Singh**
***Sub-Deputy Collector, Nambol***

HL-P/2968/30

---

### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER IV-Kak.

***Ref:- Mut. Case No. 74/AS&SO/IV-Kak of 2018***

Waikhom Paresh Singh S/o (Late) Waikhom Binod Singh of Kwakeithel Moirangpurel Leikai.

... *Petitioner*

-VS-

(Late) Waikhom Ramanimohon Singh S/o (L) Waikhom Gouramani Singh of Hiyanglam Waikhom Leikai.

... *O.P.P*

#### ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Kakching, the 27th December, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরিঃ- মদুদি খুল নং ৬৯-ময়েংলমজাও পাট্টা নং ১২৪ অরিবা, ৩৪৫ অনৌবা, দাগ নং ১৬৪১ এরিয়া ১.৮৬ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত ওইখ্রবা পাট্টাদারগী লম অসি দংকারীগী মমীংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌবিনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ৫/০১/২০১৯ ইং, ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাবীরক্কদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেশ মখা চৎথগনি।

*Sd/-* **N. Sarat Singh**
**Assistant Survey & Settlement Officer IV-Kak.**

HL-P/2865/30

---

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, THOUBAL

***Ref:- Mut. Case No. 652/SDC/TBL*** ***Dated : 22/12/2018***

1. Asem Manglem Singh S/o Late A. Bira Singh of Haokha Mamang.
2. Asem Chitaranjan Singh S/o Late A. Deben Singh of Haokha Mamang.

*-Applicants*

-Vrs-

Late:- Asem Bira Singh S/o Late A. Ningthou Singh of Haokha Mamang.

*-O.P.P.*

#### ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Dt. 22/12/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি:- থৌবাল, তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ২৬-ওক্রম ৱাংমা তাবা পাট্টা নং ১৭ অনৌবা দাগ নং ১০৭ অপুনবা এরিয়া ০.১৮৮২ হেক্তর চাওবা ইস্থোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতুগী ছত্তা ওইনা মৃতুগী মচা অমসুং মশু অনীগী মীংদা নম্মা পানবীয়ু হায়দুনা এস দি সী থৌবালগী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মথক্কী পাট্টাগী লম অমসুং মৃতুগী মরি লৈনবা মচা মশুশিংনা য়েৎকদবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি য়েৎপগী মরম পীদুনা অইবা চেনা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা লোকেল পেপরদা নোটিস তৌরকপা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

*Sd/-* **Th. Shyamkesho Singh**
Sub-Deputy Collector, Thoubal

HL-P/2871/30

---

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

***Ref:- Mut. Case No. 1272/SDC/NBL of 2018***

1. Keisham Sharat Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Utlou Keisham Leikai. (area 0.64 acre from dag No. 338)
2. Keisham Modhuchandra Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Utlou Mamang Leikai (area 0.54 acre from dag No. 339)

...... *Petitioners*

-Vrs-

(L) Keisham Ibotombi Singh S/o (L) Thanglen Singh of Utlou.

...... *Pattadar*

#### ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Dt. 29/12/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ১৬-উৎলৌ পাট্টা নং ২৫৭ (অরিবা), ২২ (অনৌবা) দাগ নং ৩৩৮ এরিয়া ০.৬৪ একর ওফ ফৌরেল ক্লাস অমসুং পাট্টা নং ১০ (অরিবা), ২৩ (অনৌবা), দাগ নং ৩৩৯, এরিয়া ০.৫৪ একর ওফ ফৌরেল ক্লাস হায়রিবা লৌফমশিং অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা দংকারি নং (১) অমসুং (২) মাগী মাগী মথক্তা পল্লিবা শরুকশিং অসিদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফমশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী নিয়ম মতুংইন্না কেশ মখা চৎথখ্রগনি।

*Sd/-* **S. Dhiren Singh**
***Sub-Deputy Collector, Nambol***

HL-P/2868/30